

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, JULY 10, 2019 PAGE 7




*ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপকী পুৱারীদা অহানবা ওইনা নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবী য়ুক্রেনগী শান্নরোই এলিনা স্বিটোলিনা*

*রুশিয়াদা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৭ তগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী টিম লুচিংগদৌরিবা অমিত পাঙ্গাল*

## মণিপুরগী ৱেঠলিফটর মিরাবাই চনুনা কম্মনৱেল্‌ঠ সেনিয়র ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড লৌখ্রে

*এপিয়া (সামোৱা), জুলাই ০৯(এজেন্সি)ঃ*

মণিপুরগী নুপী ৱেঠলিফটির সাইখোম মিরাবাই চনুনা ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং ইভেন্ট অমা ওইরিবা কম্মনৱেল্‌ঠ সেনিয়র ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপকী কেজি ৪৯গী কেটেগোরিদা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

মশাগী চহী ২৫ শুরবী মণিপুরগী ৱেঠলিফটর সাইখোম মিরাবাই চনুনা কম্মনৱেল্‌ঠ সেনিয়র ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৪৯গী কম্পিটিসনদা পুন্না কেজি ১৯১ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবা মিরাবাইনা স্নেটচতা কেজি ৮৪ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১০৭ পুন্না কেজি ১৯১ থাঙ্গৎপা ঙমদুনা কেজি ৪৯গী কেটেগোরি অসিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

মিরাবাই চনুনা ঙসি গোল্ড মেডল লৌখিবা অসিনা কুমজা ২০২০ ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইবদা চাওনা মতেং পাঙলগনি।

নীংশিংবা য়াই, চহী অসিগী এপ্রিল থাদা চাইনাগী সিটি নিং বোদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান



চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরগী সাইখোম মিরাবাই চনুনা স্নেটচতা কেজি ৮৬ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১১৩ পুন্না কেজি ১৯৯ থাঙ্গৎপা ঙমখ্রবসু মেডল ফংবা ঙমদনা লৈহৌখি।

কুমজা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ক্বালিফিকেসন প্রোসেসকী মতুং ইন্না থা ১৮ গী মনুংদা পাঙথোকপা ৱেঠলিফটিংগী ইভেন্ট ৬ তা মকোক থোংবা ৱেঠলিফটর ৪ না গেমস অসিগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমগদৌরি।

কম্মনৱেল্‌ঠ সেনিয়র ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী সেনিয়র নুপীগী কেজি ৫৫ গী কম্পিটিসনদা মণিপুরগী অতোপ্পা ৱেঠলিফটর সোরোখাইবম বিদ্যরানি দেবীনা পুন্না কেজি ১৮৩ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

কেটেগোরি অসিদা মণিপুরগী ৱেঠলিফটর বিদ্যারানিনা স্নেটচতা কেজি ৭৮ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১০৫ পুন্না কেজি ১৮৩ থাঙ্গৎতুনা ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল লৌখি।

কেটেগোরি অসিদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী ৱেটলিফটর মাটসা সন্টোসিনা পুন্না কেজি ১৮৩ থাঙ্গৎতুনা সিলভর মেডল লৌখি।

ইন্দিয়াগী সন্টোসিনা কম্পিটিসন অসিগী স্নেটচতা কেজি ৮০ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি১০২ পুন্না কেজি ১৮৩ থাঙ্গৎতুনা সিলভর মেডল ফংখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী সেনিয়র নুপীগী কেজি ৪৫ গী কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী ৱেঠলিফটর ঝিলি দালাবেহরানা স্নেটচতা কেজি ৭০ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ৯৪ পুন্না কেজি ১৫৪ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল লৌখি। কেজি ৪৫ গী ৱেঠ কেটেগোরি অসিদি ওলিম্পিক গেমসকী ৱেঠ কেটেগোরিগী মনুং চন্দে।

কম্মনৱেল্‌ঠ সেনিয়র ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী সেনিয়র নুপাগী কেজি ৫৫ গী কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী রিসিকান্ত সিংহনা স্নেটচতা কেজি ১০৫ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১৩০ পুন্না কেজি ২৩৫ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ৱেঠলিফটরশিংনা সেনিয়র, জুনিয়র অমদি য়ুঠ কেটেগোরিদা গোল ৮, সিলভর ৩ অমদি ব্রোঞ্জ ২ পুন্না মেডল ১৩ ফংবা ঙমখ্রে।

## ৱার্ল্ড কপ ঃ ইন্দিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দগী সেমি ফাইনেল নোংনা মরম ওইরগা য়ৈথোকখ্রে



*মেঞ্চেষ্টর, জুলাই ০৯(এজেন্সি)ঃ*

ইংলেন্দ অমসুং ৱেলসনা পুন্না য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ নোংনা মরম ওইরগা য়ৈথোকখ্রে।

ইংলেন্দগী সিটি মেঞ্চেষ্টরদা লৈবা ওল্ড ত্রাফোর্দ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী টোস ন্যু জিলেন্দনা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা ৪৭শুবা ওভরগী অহানবা বোল শান্নরবা মতুং বেটসমেন ৫ আওট ওইরগা রন ২১১ লৌদুনা লৈরিঙৈদা নোং লেপ্তুনা চুরকপদগী শান্নবা লেপখি।

আই সি সিগী ওফিসিয়েলশিংনা কয়ারক হন্না ষ্টেদিয়ম অদুগী ফিভম অদু য়েংশিল্লবা মতুংদা নোং লেপ্তুনা তারকপদগী মেটচ অদু মখা তানা শান্নবা য়াররোইদবা মরম্না অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী লেমহৌরিবা শরুকশিং অদু হয়েং নুংথিল পুং ৩ দা শান্নবগীদমক মেটচ ওফিসিয়েলশিংনা মতম লেপ্পখিবনি।

ন্যু জিলেন্দগী বেট্টিং অদুদা ওপনর মার্টিন গুপ্টিল শুপ্পগী রন ১ লৌরম্লগা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর হেনরি নিকোলসসু বোল ৫১ দা ফোর ২ য়ৈরগা রন ২৮ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

৩শুবা বেটসমেন টিম অসিগী কেপ্টেন কেন ৱিলিয়মসন অমদি ৪শুবা বেটসমেন রোজ টেলরনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নরক্তুনা টিম অসিগী অপুনবা স্কোর অদু ১০০ লাম্থোকহনবা ঙমখি। কেপ্টেন কেন ৱিলিয়মসন বোল ৯৫ দা ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৬৭ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

৫শুবা বেটসমেন জেমস নিসামসু বোল ১৮ দা শুপ্পগী রন ১২ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৬শুবা বেটসমেন কোলিন দি গ্রান্ধোমেসু শুপ্পগী রন ১৬ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

ন্যু জিলেন্দগী বেটসমেন রোজর টেলর অমদি টোম লাথম মথংশিংনা আওট ওইদনা রন ৬৭ অমদি ৩ লৌদুনা লৈরি। মখোয় অনীনা হয়েং মখা তানা বেট্টিং চত্থগনি।

ইন্দিয়াগী বোল্লিংদা ভুভনেশ্বর কুমার, জস্প্রিট বুমরাহ, হর্দিক পানিদয়া, রবিন্দ্র জাদেজা অমদি য়ুজবেন্দ্র চাহলনা ন্যু জিলেন্দগী বেটসমেন অমমম আওট তাহনবা ঙম্লি। জস্প্রিট বুমরাহনা ইকোনোমি রেট খ্বাইদগী ফজবা ঙম্লি।

## হালেপ সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*লন্দন, জুলাই ০৯(এজেন্সি)ঃ*

রোমানিয়াগী শান্নরোই সাইমোনা হালেপ ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৭শুবা সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা চাইনাগী ঝাং স্বাইবু ৭–৬(৭–৪), ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাগা লম্বা তৌনরগনি।

য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা মুচোভাবু ৭–৫, ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

নুপীগী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ১১শুবা সিদেদ য়ু এসকী সেরেনা ৱিলিয়মস অমদি চেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভা শান্নরগনি। য়ু এসকী সেরেনা ৱিলিয়মসনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ু এসকী অতোপ্পা শান্নরোই এলিসন রিস্কেবু ৬–৪, ৪–৬, ৬–৩ দা থোইরম্বনি। অদুগা চেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ১৯শুবা সিদেদ বৃটেনগী জোহানা কোন্টাবু ৭–৬ (৭–৫), ৬–১ দা তোইরম্বনি।

## অসালাতা দেবী অমদি সুনিল ছেত্রিনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মকোক থোংবা এৱার্দশিং ফংখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৯(এজেন্সি)ঃ*

নুপীগী ফুটবোল্লর অসালাতা দেবী অমদি নুপীগী ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না পীবা প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী এৱার্দশিং লৌখ্রে।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী এ আই এফ এফ এৱার্দশিং অদু ঙসি লাওথোরকপদা অসালাতা দেবীনা ৱুমেন’স প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখি। অদুগা নুপাগী কাঙলুপ্তনা বেঙ্গালুরু এফসিগী কেপ্টেনসু ওইরিবা সুনিল ছেত্রিনা ফংবা ঙমখি।

অসালাতা দেবী কুমজা ২০১২ দগী হৌদুনা ইন্দিয়াগী নেসনেল ফুটবোল টিমদা শরুক য়ারকখিবনি। মহাক্না ইন্টরনেসনেল মেটচ ৩৭ শান্নখিবা গোল ৪ চনবা ঙমখি। অসালাতা দেবী হৌজিক হৌজিক তামিল নাদুগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব সেতু এফ সিদা সেন্ট্রেল





দিফেন্দর ওইনা থৌদাং লৌরিবনি।

মেন’স প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী মনা ফংখ্রবা ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা পুন্না গোল ৭০ চন্দুনা এক্টিভ ইন্টরনেসনেল স্কোররশিংগী মনুংদা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা পোর্টুগালগী শান্নরোই কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোগী মথংদা লৈরি।

নীংশিংবা য়াই, গুজরাটকী অহমেদবাদতা চথরিবা ইন্টরকন্টিনেন্টেল কপকী অহৌবা মেটচতা সুনিল ছেত্রিনা গোল অনী চনবা ঙমখ্রবসু টিম অসি টাজিকিস্টানগী মখুত্তা গোল ২–৪ দা মায়থিবা নংখিবনি।

এ আই এফ এফনা পীবা এৱার্দ অসিদা বেষ্ট গ্রাসরুটস দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম এৱার্দনা জম্মু এন্দ কাশ্মীর ফুটবোল এসোসিয়েসননা ফংখি। বেষ্ট রেফরি এৱার্দনা তামিল নাদুগী আর ভেনকটেসনা ফংখি।

এ আই এফ এফ এৱার্দ ফোর বেষ্ট এসিষ্টেন্ট রেফরিনা কর্নতকাগী জোসেফ তোনিনা ফংখ্রে। এ আই এফ এফ ইমরজিং ৱুমেন’স ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়র ২০১৮–১৯গী এৱার্দনা মণিপুরগী দাংমৈ গ্রেসনা ফংখি।

এ আই এফ এফ ইমরজিং মেন’স ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী এৱার্দনা কেরলাগী শান্নরোই অব্দুল সাহালনা লৌখি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা পীবা এৱার্দশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মকোক থোংবা এৱার্দ ওইরিবা এ আই এফ এফ ৱুমেন’স ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়র এৱার্দনা অসালাতানা দেবীনা ফংবা ঙমখি। অদুগা এ আই এফ এফ মেন’স ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়র এৱার্দনা ইন্দিয়ান ফুটবোল টিমগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা ফংদুনা এৱার্দ অসি চহী অহুম থংন–থংননা লৌবা ঙমখি।

## রোহিট ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*মুম্বাই, জুলাই ০৯(এজেন্সি)ঃ*

চথরিবা ওল ইন্দিয়া স্কৱাস ওপনদা মহারাষ্ট্রগী শান্নরোই রোহিট কাদম প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা মহারাষ্ট্রগী রোহিট কদমনা উত্তর প্রদেশকী সৌরভ কুমারবু ১১–৬, ১১–৬, ৯–১১, ১১–৬ তা মায়থিবা পীরম্লবা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কাঙলূপ্তা অহানবা সিদেদ ওইরিবা মহারাষ্ট্রগী অভিসেক প্রধাননা দিল্লিগী রভি দিক্সিটপু ১১–৬, ১১–৬ তা হেন্দুনা লৈখ্রবা মতুং দিল্লিগী শান্নরোই রভি মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী প্রধান ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

সার্ভিসেসকী শান্নরোই মাহুল কুমারনা ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা মহারাষ্ট্রগী দিভিট পুজারীবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট গেম ১১–৪, ১১–৬, ১১–৭ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপামচাগী চহী ১৯ মখাগীদা দিল্লিগী জাইদিপ সিংহনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সাম্পুরান বেনরজিবু ১১–৭, ১১–০, ১১–১৩, ১১–৭ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। অনীশুবা সিদেদ মহারাষ্ট্রগী অভিনাস যাদবসু মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

## ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা অমিত পাঙ্গালনা লুচিংলগনি

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৯(এজেন্সি)ঃ*

চৎলিবা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৭ তগী ২১ ফাওবা রুশিয়াগী সিটি একাটেরিনবর্গতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সিং টিম এসিয়ান চেম্পিয়ন অমিত পাঙ্গালনা লুচিংলগনি।

নুপাগী কেজি ৫২ গী কেটেগোরিদা শান্নরিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর অমিত পাঙ্গাল হন্দক্তা পাঙথোকখিবা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবদগী রুশিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী ইন্দিয়াগী স্কৱাদ খনগৎপদা য়াওরকখিবনি।

নুপাগী কেজি ৬৩ গী কেটেগোরিগী সেলেক্সনদা ৪রক এসিয়ান মেডালিষ্ট ওইখ্রবা সিব থাপাবু নেসনেল ত্রাইয়েলদা ইন্থরম্লগা কেটেগোরি অসিদা নৌনা শরুক য়ারিবা মনিস ওইনা খনখ্রে।

নুপাগী কেজি ৫৭ কী কেটেগোরিদা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ সিলভর মেডালিষ্ট কাভিন্দর বিসনা মোহমদ হুসোমুদ্দিনবু মায়থিবা পীরম্লগা রুশিয়াগী চেম্পিয়ন্সিপ অসিগীদমক মফম কনবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই কাভিন্দর বিসনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ দা অনীরক মেডল ফংবা ঙমখ্রবা অলজেরিয়াগী মোহমেদ ফ্লিসিবু মায়থিবা পীরম্লবা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

রুশিয়াদা সেপ্টেম্বর থাদগী পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াগদবা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং অদুদি দুরয়োধন সিংহ নেগি (কেজি ৬৯), আসিস কুমার (কেজি ৭৫), ব্রিজেস যাদব (কেজি ৮১), সঞ্জিৎ (কেজি ৯১) অমদি সটিস কুমার (কেজি ৯১ মথক) নি।

## ইন্দিয়াগী প্রথাপ অমদি দিভেথা ব্রোঞ্জ মেডল রাউন্দদা লৈহৌরে

*নাপোলি, জুলাই ০৯(এজেন্সি)ঃ*

ইটালিগী সিটি নাপোলিদা চথখিবা ৩০শুবা য়ুনিভরসিয়েদ সুটিংদা ইন্দিয়াগী মিক্স এয়র পিষ্টোল টিম অচাল প্রথাপ অমদি নিভেথা ব্রোঞ্জ মেডল প্লে ওফতা মায়থিখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা মিক্স এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী পেয়র অচাল প্রথাপ অমদি নিভেথা ব্রোঞ্জ মেডল প্লে ওফতা ইটালিগী মখূত্তা পোইন্ট ১২–১৬ দা মায়থিহৌদুনা মেডল ফংদনা লৈহৌখি।

ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডলনা চাইনিজ তাইপৈনা লৌখি অদুগা সিলভর মেডলনা কোরিয়াগী পেয়রনা লৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী স্কিট ইভেন্টতা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী সুট্টর এসিয়ান চেম্পিয়ন অঙ্গাদ ভির সিংহ বাজৱানা সোট ১২৫ কী মনুংদা সোট ১২২ কাপ্তুনা ৩শুবা পোজিসন তারগা ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

ক্রোসৱার্দ ২১৪ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | I | P | E | N | | U | P | O | N | | E | L | S | E |
| O | C | E | A | N | | N | U | D | E | | M | A | M | A |
| V | E | R | S | E | | T | R | E | A | S | U | R | E | R |
| E | D | I | T | | S | I | E | S | T | A | | G | A | L |
| | | M | E | D | A | L | | | E | L | D | E | R | S |
| C | H | E | R | U | B | | N | O | R | S | E | | | |
| O | A | T | | D | E | L | I | S | | A | P | A | R | T |
| P | I | E | R | | R | E | E | L | S | | P | L | A | Y |
| E | R | R | O | R | | S | C | O | O | T | | T | I | P |
| | | | L | E | A | S | E | | R | E | C | E | D | E |
| R | A | R | E | S | T | | | T | E | N | O | R | | |
| E | W | E | | E | L | O | P | E | R | | S | N | A | G |
| P | A | L | A | T | A | B | L | E | | S | T | A | R | E |
| O | R | A | L | | S | O | O | N | | E | A | T | E | R |
| T | E | X | T | | T | E | D | S | | C | R | E | A | M |


APPOINTMENTS

EVEREST

Build an excellent career in Sales And Marketing

Everest,One of the fastest growing building solution company,requires a Sales & Marketing Professionals with a minimum 1 year of experience

Job Location- IMPHAL (MANIPUR)

Qualification- UG-Dimploma-Civil,Mechanical.B.Tech/BE-Civil,Mechanical ,PG-MBA/PGDM-International Business,Marketing
Graduate- Having minimum 1 year of experience in Sales and Marketing (building Industry will be preferred )

For Venue and all Please contact the under sign-
Mr.M.M.Sarma
Ph-9957174290/9706011313

Date Of Interview- 11-07-2019 Time – 10 AM onwards

The candidate must have First division throughout his academics(10th/12th/Grad/PG).Only one second division will be considered. Incumbent should have good communication and presentation skills.
Candidate must have a 2 wheeler

SL/5065/9th &10th July '19



**TRANSFER OF OWNERSHIP**

This is hereby informed that **M/S P.I.S. Brick Field** operating under Factory **Licence No. 105/FACT/Brick** located at Wangjing Saban Checkon Leikai, P.O. Wangjing Thoubal District will change ownership from the present owner namely **Shri Paonam Kebisana Singh** Wangjing to **Smt. Paonam Memcha Devi**, Wangjing on the demise of Shri Paonam Kebisana Singh.

Any objection should reach Chief Inspector of Factories and Boilers cum Director of Trade Commerce & Industries Manipur within 14 (fourteen) days from the date of publication.

Sd/-
Philip Paonam
# 9650834413

SL/5075/10,11 &12



**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF VETERINARY & A.H. SERVICES**

-------------

“ওকশিংদা নাগনবা লায়না স্বাইন ফিভর”
(ওক লোইবিরিবা ফার্মরশিংদা খঙহঞ্জবা)

স্বাইন ফিভম কৌবা লায়না অসি হোগ কোলেরা হায়নসু খঙনবা ওক্তা নাগনবা লায়না অমনি। মসি য়াম্না লৌনগদবা মহিক, ভাইরসনা থোকহনবা ওক্কী মখল খুদিং অমসুং মশাগী চহী মতাং থিদনা নাগনবা লায়না মখল অমনি।



- ⇨ লায়না অসি আর এন এ ভাইরস পেস্তিভাইরস হায়না খঙনবা মখল অমনা থোকহনবনি। য়াম্না শন্দোক্কনবা লায়না অসিগী লায়চৎ মতমদা নাবা অমসুং শিবগী চাং অসি চাদা চাম্মা ফাওবা য়ৌই।
- ⇨ লায়না অসিগী মহিক অসি চেল্লবা অনাবা অমদগী চানবা মচিঞ্জাক অমসুং ঈশিং, থকপা চাবা মতমদা য়াওখিবদগী অয়াম্বা মতমদা লায়না অসি শন্দোকই অমসুং অনাবগা নক্কনা লৈবশিংনা শ্বর হোনবদা মহিক অসি হোনজিনখ্রগসু লায়না অসিনা নাহল্লি।
- ⇨ অনাবা ওক্কা শোক্না শম্নরুবদগী লায়না অসি শন্দোকই, মরমদি অনাবা ওক্কী মনপ মতিন, মথি ময়ুংনচিংবদা ভাইরস অসি য়াওই। মহিক অসিনা নাবা ফরবা ওক্কী মথী অমদি ময়ুংদা চয়োল ২ দগী ৩ ফাওবা য়াওদুনা হিংবা ঙম্মী। মসিনা মখা তানা শন্দোরক্নবগী মরম ওইরকই।
- ⇨ নাবা ফরবা ওক্না লায়না অসিগী মহিক চেন্দুনা কেরিয়ার ওইদুনা লৈ।
- ⇨ মচিঞ্জাক হাপ্পা পাত্র, মকোন্দা চঙথোক–চঙশিন তৌবদা শিজিন্নরিবা খোংউপ বুট অমসুং ওক পুথোক পুশিন তৌনরিবা গাড়ীনচিংবদগীসু লায়না অসি শন্দোকই।
- ⇨ মরুওইবা লায়ওংশিংদি লাইহৌ কন্না হৌবা, চানিং থক্লিং পোক্তবা, মশা শোন্থবা, মশা কোনথোক কোনশিন য়াদবা, মখোং মহি লাংবা হান্বা, ওবা, উনশাগী শরুক্তা মুরৈননা খান্বা অসিনচিংবনি।
- ⇨ পোষ্ট মোর্টেম অমদি Laboratory দা চাংয়েং তৌথোক্তুনা চপ চানা লায়না অসিনা নারে হায়বা খঙদোকপা য়াই।

লায়না অসিগী চপ চাবা লায়েং লৈতে। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্নবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি মতম চানা নাদ্রিঙৈদা মাঙজৌননা তিকা থাদোকপীবা / কাপথোকপীবা অসিনি। অদুনা ওক লোইবিরিবশিংনা মাঙজৌননা লায়নাশিং অসিদগী ঙাকথোক্নবা তিকা (ভেক্সিন) কাপথোক্নবা / থাদোকপীনবা ডিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা লৈবা ভেটিরিনরি হোস্পিটাল। ডিস্পেনসরি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী ওফিসারশিং অমদি ষ্টাফশিংগা তান্নবিদুনা অমসুং পাও ফাওনবিদুনা মতম চানা তিকা (ভেক্সিন) থাদোকপীয়ু। ওক মচাশিংনা মপি হেক খায়নরকপা মতমদা তিকা থাদোকপা য়ারে অমদি ওক খূদিংমক চহী খুদিংগী ওইনা শুকশোই শোয়দনা তিকা থাদোকপীগদবনি।

খঙহঞ্জরিবা ঃ
ডাইরেক্টর,
দিপার্টমেন্ট ওফ ভেটেরিনরি এন্দ এনিমেল হসবেন্দরি,
মণিপুর

SL/B(V)/7-11June 19